# চহী খরগী হিংলিবা পুন্সিসিদি নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নসি

**(লৈবাক্কী থৌদোক-ৱাথোক অমা হেক থোকপদা খ্বাইদগী হেন্না শাফু ফংলিবসি 'কম্মন মেন' নি। মখোয়গীদমক কনানসু খনবীদে, উবীদে, য়েংশিনবীদে। নোংমগী চাবদা চঙলিবা পোৎ-চৈশিংগী মমল শরুক অনী/অহুম ৱাংলিবসি চাইনাদগী কন্ট্রোল তৌহনগদরা? হীরম খুদিংদা চৈনা লাকপগী মথৌ তারি। অৱাবশিংগী খুদোংচাবা লৌবা মীবু করম্বা মখলগী মীনো? মীওইবগী পুন্সি খোঙচৎতা 'মতমনা' সোলুসন পূন্নমক পুরক্লি। অথুবা মতমদা কম্মন মেনগী অৱাবশিংদু কোক্লসনু।)**

– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –

কংলৈপাক ইমা লৈবাক অসি হেক ওইরকপদগী লানগী লান ঙাক্তা, ঙাইহাক লৈতনা লান শোক্লরগা লাকখি। ঙসি ফাওবদা লানফম ওইদুনা লৈরি। মসিদা পোক্লিবা, হিংলিবা পূন্নমকসি লান্মী ঙাক্তনি। অদুনা মালেমগী ফুরুপ পূন্নমক্তগী মফম অসিদা হিংলিবা মীয়ামগা পুমখেন খেন্নবগী ফীভমসি হন্দক থোক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী থৌদোক অসিনা ময়েক শেংনা উৎখরে। কংলৈপাক অসি লানফমনি। মীচেল ওইনা খুন্দারকখিবনা ঙসি ফাওবদা মীচম মীয়ামসি তংদু লৈতানা, ঈংনা-চিক্লা ৱাখল খল্লগা হিংবা ঙমদরি। অয়েৎপসি অমনা নৎত্রগা অমনদি অদুম হেক্তা পীরি। করিগীনো ঐখোয়না অফবদা হোংদোকপা ঙমদ্রিবসি? ফত্তবদি পুন্সিসি ৱানা হিংবনি।

সলাই তরেৎনা মনিং মখা তম্না, মতোম-মতোমতা পাল্লিঙৈগী মতমদসু অমগা অমগা ঙাইহাক লৈতনা লান তান্নরমখি তাজে। ঐখোয়সি ঈ অশাবা কাঙলূপকী জীবনি। "Unity is Strength" হায়বদি অপূনবনা পাঙ্গলনি হায়বগী ৱাখলসি, থবকসি ঐখোয়দা য়াওদে অমসুং য়াদে। পুনশিনবা য়াদবা, পামদবা ফুরুপনি। কংলৈপাক্কী য়ূমশিংদা লৈরিবা ইমুং পূন্নমকসি "Independent Kingdom" হায়বদি মনীং-মখা তম্বা ইমুং ঙাক্তনি। ইমুংদুনা তৌনীংবতা তৌগনি। লৈকায়গী মৱা লৌদে। খুন্নাইগী চৎনবী করিসু ওইনা খন্দে হায়বা ইমুং য়াম্না লৈরি। অসিগুম্বা ইমুংশিংনা শেম্বা লৈবাক অদুদি কাং-খোং চাইবা লৈবাক হায়বদু ওইবা তাবনি।

পীশক পীকপা লমদম অসিদা মশা-মশাগীদা খনবা মী মশীং খঙদনা হিংলি। মীচম মীয়ামগা ৱাফম অমত্তং তান্নসি - "মীয়াম্না খল্লিবা মীহুৎশিংসি শীংথানীংঙাই ওইবা কয়া য়াওবগে? করম্বা টর্মস এন্দ কন্দিসনদা মখোয়বু খনখিবগে? হৌজিক থোক্লিবা থৌদোকশিংসি মখোয়না থোকহনবনি। লাল বহাদুর শাস্ত্রিনা রেলৱে মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা ত্রেন এক্সিদেন্ট থোকপদা মহাক রেলৱে মিনিষ্টরদগী খুদক্তা রিজাইন তৌখি। মহাক হোম মিনিষ্টর অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর ফাওবা ওইরমখি। মহাক দেল্লীদা, অতোপ্পা মফম অমত্তদা ময়ূম শারমদে। মপুন্সিদু অশানবা য়ূমদা লৈরগা লোইখি। মহাক্কুম্বা মীদি মালেমসিদা য়াম্না অতাঙবনি। খেন্নদরা খুন্নাইসিগী ফম্নাইবশিংগা?

মণিপুরগী মফম মরাং খঙদনা, লাইরিক-লাইশুসু মপূং ফাদনা হৌরকপা মখোয়না পৈশিল্লিবা লন-থুমসি উবদা ইজরিবা ঐহাক্তি লাল বহাদুর শাস্ত্রি অসি হেক্তা নীংশিংলকই। মী হায়বসি ওন্থোক্লা খেন্নরেদা হায়না। মী মশেলদা অসুক য়াম্না খেন্নফমদি থোক্তে খঞে। পুন্সিগী ৱাহন্থোক খঙদবশিংনা মখোয় মঙাইরে উৎলকপশিংদদি, থম্মোয়দি পেন্না নোক্লে। মীওইবগী মপোক হায়বসি অসুম ওইরম্লে, মফম অসিদদি। কুহাদা হিংলিবা হঙোইগুম্বা ঙাক্তনি মখোয়সি। সংসারসিদা করিগুম্বা খরতসু পাঙথোক্লমগে খনদ্রবা জীবশিংনি। মপুন্সিদা অফবা অমত্তা তৌরমদ্রবা মীবু করম্বা মখলগী মপোকনো?

মণিপুরগী সোসাইটিদা ফজবা-নুংশিবা-থম্মোয়দা তিং পানবা ঈশৈ, লাইরিক, মী অমগী কখোকপগী ৱারী, রোমিও-জুলেটকী অশেংবা নুংশিবগী থৌদোক, ফম্নাইবা অমনা মীয়াম্না য়াদ্রে হায়দুনা রিজাইন তৌখিবগী থৌদোক অমত্তা থোকত্রি। ক্বাক্লা ৱাহোংগী মতু থেৎচল্লগা মীয়ামদা ৱাহোংনি উৎতুনা লৈবা য়াবা নত্তে। মতিক-মগুণ ৱাৎপা, মতিক চাদবা মীদা কনানসু ইকায়খুন্নফম থোক্তে। মীয়াম্না খনখিবা মীয়ামগী মীহুৎনা মরম চাদনা তৌনীংবতা তৌবা য়াবা নত্তে। করম্বা মখলগী মীওইনো হায়বদু খুন্নাইগী মিংশেলদা ময়েক লানা তাদুনা লৈখ্রবনি। নাপল হায়বসি নোংমদি শোয়দনা লৈখা তানা তারক্কদৌবা ঙাক্তনি। ঙরাংগী পুন্সিগা, ঙসিগা মান্নদবনি। অহোংবসি য়াম্না থুনা-থুনা ওইরক্লি। লমদম অসিদা হিংলিবা মীশিংনা খুরুম্লিবা তাইবঙ শেম্বা মপু (ঈশ্বর) অসি করম্বনো খঙজনীংই। ঈশ্বর ফাওবা অফবা লৈত্রবা লমদম ওইরি। শাশিংনা ফাওবা পাঙথোক্তবা থবক মীশিংনা পাঙথোক্লিবসি করম্বা মখলগী লাইনীং লাইশোননো? শিরোইদবা মী কনা পোকখ্রবগে? ফত্তবগী থবক্তি ফত্তবনা ফংবা তাবনি। ফত্তববু কনবীনবা তাইবঙদা লো লৈতে। নুমিৎ ১০নিগী কর্ফিয়ু থমজিল্লগা মীয়ামগী মতম মাঙহল্লিবগী ফল করিসু অফবা ওইরোই। মতমগী মমল খঙদবা ঙাক্তনি।

মীওইবনা শেম্বা লোনি। লোনা মীওইবগী পুন্সি মহিং, করম-করম্না হিংগদৌবনো তাক্লগা হিংগদৌবা নত্তে। কোর্টকী রাই খুদিংমক মীওইবগী হক অমসুং চৎনবী ওইদবা য়াই। কোর্টকী ৱাফমদি, কোর্টতা ৱাকৎপা তাবনি। কোর্ট অমত্তনা ইচম-চম্বা মীবু ফারগা মকোক্তু শীংজংনা খাইয়ু হায়বগী রাই পীরোই। তৌনীংবতা তৌরগা হিংলিবা জীবশিংসি শিরোইদবা ঙাক্তরা? ৱাখল ৱাৎপা মীশিংনা, ময়াই কাবা চিঙাক শীজিন্নরগা মীওইবগী লমচৎ-শাজৎ চৎত্রিবসি ষ্টোন এজ গী মতমদা ফাওবা পাঙথোক্লমদে। চাওখৎলে হায়না খঞ্জরগা হিংলিবা নহাশিংনা ময়াই কাবা চিঙাকশিং অমসুং য়ুদা লুপলি। মৌনহাশিংনা পূন্না লৈমিন্নরিবা মপুরোইববু লংথোক্লম্লগা অতোপ্পা নুপাশিংগা লৈমিন্নরি। হৌজিক্কী চক (য়ুগ) সিনা করম্বা মখলগী চকনো?

মীচম মীয়াম্না ৱাখল য়াম্না মুন্না খন্থবীয়ু। মীয়াম্না লৈবাক ফজনা ঙাকপা ঙমগদৌবা, মতিক চাবা, লাইরিক লাইশু হৈবা, কখোকপগী থম্মোয় পানবা মীহুৎ খলহৌদবদগী হৌজিক থা অসিগী ৩দগী হৌখিবা ঈরাং অসি থোক্লিবনি। থা অসিগী ৯গী অয়ূক্তা ইম্ফাল বজারদা মীয়ামগী অৱাবশিংদু করম তৌরি হায়না খঙনীংদুনা চৎলুই। ঐদি পোৎ অমত্তা লৈদে। পোৎ-চৈশিংগী মমলসি শরুক অহুম হেন্না ৱাংখরে। মীনা ক্রক-ক্রক ইন্নরগা লম্বী সরক পূন্নমক য়াম্না চিল্লি। মীচম মীয়ামশিংসি মীপাইরে। কর্ফিয়ুগী মতম অয়ূক পুং ৯দা লোইগদৌবনিনা মীশিংসি কোইচেন চেল্লগা পোৎ-চৈশিং লৈনরি। অসিগুম্বা সিন অসি কদাইদসু উরোই। অসিগুম্বা কন্দিসন হায়বদি হেন্দ টু মাউথকী ফীভমদা হিংলিবা ঐখোয়না পুন্সিগী লমজেলদদি শরুক য়াবা ঙম্লরোই। ঐখোয় পূন্নমক বেসিক ইসেন্সিএল আইটম হায়বদি ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরি। ঈশিং লৈরগা মীচম মীয়াম ঐখোয়না হিংলি। ঈশিং লিটর অমদা লুপা অমগী মমলদা লৈরগা মীচম মীয়াম হিংলিবসি নুংঙাইবরা?

মৈ, ঈশিং, চানবা চেঙগী মরমদা ৱারবা মীদুনা পুন্সিগী মহয় য়ানবা থবক করি পাঙথোক্লমগে খনবীবগে? মীয়ামগী অৱাবসি উরুবদা থৱায় নুংঙাইতে। পুন্সি মহিংসি ঈংনা-তপ্পা হিংবা ফংদ্রি। ঈরাংসি মীৎকুপ খুদিংগী থোক্লি। মণিপুরদা পাঙথোক্লিবা লাইফ সাইকল অসি মীটিং, ফেষ্টিবেল, এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামনচিংবা ফঙ্কসন অসি নুমিৎ অমদা মশীং য়াম্না য়াল্লি। মসিগী মহুত্তা কর্ফিয়ু পাঙথোক্লি। কর্ফিয়ুসু খুন্নাইসিগী চেপ্টর অমনি।

কর্ফিয়ু হায়বা ৱাহৈসি ঐখোয়গী ৱাহৈ নত্তে। ইংলিসসু নত্তে। ফ্রেঞ্চকী ৱাহৈ Cuevrefeu হায়বা ৱাহৈসিদগী হৌরকপনি। Curfew হায়বদি a covering of the fire হায়বনি। য়াম্না শম্না ইজরবদা - মী পূন্নমক য়ূম-য়ূমদা লৈবিয়ু হায়বনি। অদুবু লমদম অসিদদি কর্ফিয়ুনি হায়খ্রবদি, লাওথোকখ্রবদি কর্ফিয়ু অদু য়েংননবা য়ূমদগী সরক্তা চৎলি। কর্ফিয়ু চলাইরবসু মী পূন্নমক অদুম ময়ূমগী মপান্দা চৎলি। খুন্নাইসিগী চৎন-কাঙলোনগা মালেমগীগা শুকমান মান্নদ্রি। তাইওন্নবা খুন্নাইনি। খুন্নাইসি মালেমগী অঙকপা মফম অমনি। মীয়ামগী ৱাখলসি, থবকসি অতোপ্পা মফমশিংগা শুকমান মান্নদে। খুন্নাই অসি মীচেলশিংনা শেমখিবা মফমনিনা অতোপ্পা মফমগা মান্নরোই। অদুবু অমরোমদদি ঐখোয়সি মীখা পোল্লগা হিংলি। থৌদোক-ৱাথোক পূন্নমক মপুগী য়াথং চঙলি। মপুনা হেন্না চানবীনবা, চৌক্রিদা লেঙদনা ফমহন্নবা - মীতোপকী লমদা ইকায়নীংঙাই ওইবা থবক অমত্তা পাঙথোকপীগনু। উন্নবা চঙবদা, খোঙউপ লৌথোক্লগা মখোঙ পায়দুনা খুরুমলি। অসিগুম্বা চৎনবীসি ময়াং লমগীদি নমষ্টে তৌনৈ। লৈবাকসিগী ঈজৎ থম্বীয়ু। নখোয়দি ইকায়বা খঙদ্রবা, মীংচৎতগী লন-থুম্না মরু ওই খনজবা, ঈজৎ হায়বসি করিনো খঙদবা মীশক ঙাক্তনি। কর্ফিয়ু থম্লগা লৈবাক ঙাকপা হৌনদে।

ঐখোয় খুদিংমক ইমুং মনুংগী অকৃপ্পা ৱারী খঙগদৌবনি। অফবা/ফত্তবা পূন্নমক নৈনগদবনি। অসুম্না লমদম অসিদসু অচুম্বা অশেংবা ৱারীসি থৌদোক খুদিংগী ইরগা থম্লমগদৌবনি। মরমদি তুংগী মীরোলশিংনা অরানবদু অমুক হন্না পাঙথোক্তনবা। খুন্নাইগী খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি অচুম্বা পুৱারী অদুনি।

শাহিং-ঙাহিং ঈ তৈবশিং চাবনিনা, হৌজিক্কী মতমগী মীশিংসি মীনুংশি মচেৎ অমা থম্মোয়দা পকপগী থবক উদ্রে। পুং ২৪ ময়াই কাবা চিঙাক্তা লুপ্লবনিনা মী মশেলসি হায়নীংঙাই খঙদনা নুংশিনদনা পুন্সিশিং লোইশিল্লি। ঐখোয়গী য়েক্লবা নত্তে, ইমা লৈবাকসিদা পোকপা অমত্তা। অফবা ৱাখল খনবা ঙম্বা ঐখোয়দি, মীওইবদি শাহিং-ঙাহিংগী থবক পাংথোক্লোইদবনি। লমদম অসিদা মীওইবনা চৎলোইদবা, শাশিংনা ফাওবা পাঙথোক্তবা, মীনুংশি লৈতবা থৌদোকশিং য়াম্না থোকখ্রে। অসুম্না মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা পোরম কয়া শেমহৌবনা অফবা খোঙথাং ওইগনি। নুংশিনদ্রবদি লাপ্পা-লাপ্পা চীংগী মীনা চীংদা, তম্পাক্কী মীসু খরা চাইথোক্লবা প্লেন এরিয়া পূন্নমক কভর তৌরগা থম্বনা ফগদরা? তম্পাক পুম্বসি ইম্ফাল সিটি শেমসি।

মণিপুর অসি শরুক ১০ থোক্লা য়েন্থোকপদা চীংগী এরিয়ানা শরুক মাপল (৯) নি। অদুগা প্লেনগী এরিয়া অসিনা শরুক অমখক্তা (০১) নি। পীকখ্রবা প্লেনগী এরিয়া অসিদা ঙারি নম্লগা হিংবদৌনা ঐখোয় হিংলি। লমগী মতাংদদি ইমুং মনুংগী মচিল মনাওশিংগী মরক্তসু চয়েৎনবা য়াম্না থোক্লি। কোর্টকী কেসসি খ্বাইদগী শাংনা মতম অমসুং শেল চঙবা কেসশিংনি। হন্দক্কী মতাংসিদা গভর্ণমেন্টনা তুং কোইনা চৎনগদৌবা মীচম মীয়ামগী লৈফমশিংসি ময়েক শেংনা শেম্বীয়ু। থম্মোয় শেংনা নুংশিনদ্রে হায়বসিদি ময়েক শেংনা উৎখ্রে। য়ান্নদ্রবদি তোঙান তোঙান্না লাপ্পা থম্বনা ফৈ। মীচেল, মীরোৎ, মীহাৎপা, ওক্তবা-ওক্তবী, হুরানবা কাঙবু অমত্তদা চঙজফম পীবিগনু। অসিগুম্বা মখলগী মীশিংনা মশীং য়াম্বদগী হৌজিক থোক্লিবা থৌদোকসিসু খুদম অমনি।

মণিপুরগী বাউন্দরি হায়বদি ঙমখৈ অসি ঙসি ফাওবদা কনানা ঙাক্লিবগে? য়ূমথংনরিবা ষ্টেটশিংগা চয়েৎনবসি লৈরি। চেকশিনবা ৱাৎহৌবদগী বোর্দর এরিয়াদা লম য়াম্না মাঙখ্রবনি। খুন্নাই অসিদা Crystal Clear হায়বদি ময়েক শেংবা অমসুং অরংবা মশক্কী থবক অমত্তা পাঙথোক্তে। নমশিল্লগা ইস্যু পূন্নমক থল্লি। মৈগী চীংনি খন্থুদে।

ইম্ফাল এরিয়াদা খোঙকাপ ১০/২০ খুদিংগী চাইদুনা লৈরিবা য়ুনিফোর্ম শেৎপশিংসি মণিপুরগী বোর্দর এরিয়া অসিদা পেট্রোল্লিং চৎলগা ঙাকহনবনা ফৈ। মশা-মউসু ফরগনি। হেন্না স্মার্ট ওইরগনি। শিনফমগী চান্নবা থবকসুনি।

বোর্দর এরিয়াশিংসি ঙাক্লবা বোর্দর টাস্ক ফোর্স অমা লৈরিবা মেনপৱারদগী শেম্বা য়াগনি খঞে। মণিপুর অসি অঙকপা মওংদা মিসয়ুজ তৌরি। ইরুবগী লোইবা নাইদ্রবা হীরমশিংনি। য়াম্না ৱানা, খুদোংচাবা অমত্তা ফংদনা হিংলিবা মীচম মীয়ামদা বোর্দরগী বাউন্দরি ঙাকহনবদি তোক্লগদৌবনি। মণিপুরগী মায়কৈ মরিসি চয়েৎনবা বোর্দর-দিসপ্যুটেদ প্রোব্লেম ঙাক্তনি। বোর্দরবু ঙাক শেনবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংগী ইথৌনি।

লমদম অসিদা লৈরিবা মী অয়াম্বসি ৱারেম ঙাঙবা য়াম্না পামজে। তোকঙা শন্দোকপসু য়াম্না কল্লি। ৱা তম্বদা মসলা য়াম্না হাপ্পী। মশাগী মরাল লোৎশিল্লগা থম্বনা অয়াম্বনি। ফত্তবশিংসি অফবা য়াম্না শারি। হৌজিক্কী মতমদদি মচাশিংনা মমা-মপাবু ৱারক্লি। অনৌবা অহোংবনি। মপা ফত্তবনা পোক্লম্বা মচানুপাদুনা মমাবু নৈখাইরগা হিংবসু য়াম্না লৈরি। মীওইবগী মপোকসিদা অঙক অঙকপা য়াম্না তূমিন্না পাঙথোক্লি অমম্বদা। ইকায়নীংঙাই ওইবা ঙাক্তনি, মঙাল লৈতবা মফমদা পাঙথোকপা থবক হায়বসিতবু।

লমদম অসিগী অয়াম্বা মীওইদি ৱাখল চনিং য়ৌনা খন্থবা য়াম্না ৱাৎলি। মালেমসিদা ঐখোয় পূন্নমক চহী খরগী টেম্পররি ওইনা হিংলিবনি হায়বসি কাউরি। অদুগা মী অয়াম্বনা লৈঙাক্কী মনাই ওইবগী থবক ফংবদা হংনরি - থবক্তু পর্মিনেন্ট পোষ্টরা নৎত্রগা এদ-হোক বেসিসতা খনবরা, কন্ট্রেক্ট বেসিসরা? টেম্পররি ওইনা ঐখোয় হিংলি হায়বসি কাউরগা পর্মিনেন্ট ওইবা থবক অমা ফংবদা হরাওজরিবা ঐখোয়গী কাঙবুনি।

ইন্দিয়াগী বর্নিং প্রোব্লেম হায়বদি নেচরেল কলামিটিজগী ওইরো, অর্থক্বেক, ফ্লদ, হেভি ষ্টোর্ম দেমেজ, লেন্দস্লাইদনচিংবা থোক্লকপদা আর্মিনা অৱাবশিংদু মায়োক্লরি। মীশেম/খূৎশেম্না থোকহনবা কম্যুনেল রাইওটস, সিভিল ওথোরিটিনা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লক্তবগী মতাংদসু আর্মিনা নোর্মেল সিচুএসনদা পুরক্লবা কন্ট্রোল তৌরি। হৌজিকসু মণিপুরদা আর্মিনা নোর্মেল কন্দিসনদা পুরক্কদৌরিবনি। দিসিপ্লিন লৈতবা খুন্নাই অসিদদি আর্মিগী ফঙ্কসনীং অসি কুইনা পাল্লোই।

ইন্দিয়ন আর্মি ওফিসরশিংগী মরক্তা য়ু শুকথক থক্তবা, চুরুট থক্তবা, নুপীগী মপুন্সিদা হন্না ফাওবা য়েংখিদবা (নুপী থিখিদবা), লমচৎ-শাজৎ অরংবা মিংশেলগা মান্নবা, ঈশ্বর য়াম্না নীংবা অমসুং থম্মোয়না থাজবা, নুংতিগী অয়ূক অঙনবা পুং ৪দা ভগৱট গিতা পাবা ওফিসরশিং লৈখি অমসুং লৈরি। অফবা কষ্টম এন্দ ত্রেদিসনদি ঙাক্লগা থল্লি। ময়াম অসিগী মরক্তা শাগৈগী মৈতাল অশিবগা চপ মান্নবা ওফিসর খরসু অদুম প্রোফেসন অসিদা য়াওরমখি। খুন্নাইসিদগীসু অদুগুম্বা মীওইদু উৎ ওনখরে।

হন্দক কর্ণাটকাগী ইলেক্সনগী মীটিংশিংদা Field Marshal K. M. Cariappa অমসুং General K S Thimayya গী মরমদা অরানবা কয়া ঙাঙলুবগী মীনম্বা লুচিংবনি হায়না কনফর্ম তৌখ্রে। জেনরেল অনীসিগী মমি ফাওবা ফংবা ঙম্লরোইদবা পোলিটিসিয়ননি মীনম্বা ঙাঙবনি হায়বসি কাউজরি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ঐখোয়সিবু উচিদা অমুক হঞ্জিনবা হায়গদ্রা নৎত্রগা লু কোকপদা লেন তাবা হায়গদ্রা?

*ইকায়খুন্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুর মতম অমদা ইন্দিয়াদা পুনদ্রিঙৈ মতমদা ৱাৎত-পাদবা, মীপান তাংদবা অমদি ঐখোয়গী পোখোক্লা মপান লমদা থাদোকপা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইরম্মী হায়বসি পুৱারীনা খুদম চাংদম ওইরিবনি। ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুং মপানগী অরং অরাক্তা ঙাওবা হায়গদরা মীশিং হেনগৎপা হায়গদ্রা শুনীংদবা হেনজিল্লকপা হায়গদ্রা ইন্দিয়াগী শেন্থংদা ঙাওবা হায়গদ্রা গভর্ণমেন্টকী পোলিসি শোয়বা হায়গদ্রা নোংম-নোংমগী মপানগী পোৎতা মীপান তাংবা হেনগৎলক্লি।

লাকচনীংলিবা ৱাফমদি মণিপুরীশিং মীরমগী পোৎ ঙাক্তা শীজিন্নবনা কুইনা হিংবা য়ারোই। অতৈ পোখোক নৎত্রবসু চাবা ফাওবদি মীপান তাংলোইসি হায়দুনা অকনবা খোল্লাউ অমগা লোয়ননা য়াম্না কন্না হোৎনরকপগী মমি চাওনা তারবা মতমনি। খুদম ওইনা হায়রবদা মতম অমদা মণিপুরদা কুমজা ১৯৮০দগী হৌরগা কুমজা ২০০৭ ফাওবদা লালহৌবগী ঈরাং য়াম্না হেন্না কল্লম্মী। মতম অদুদা চীংখোঙ-চীংয়া, লম্ধাং-তুমহাং চৎপা ফাওবা কিনরম্মী। মতম অদুদা চীংয়া-তময়া, লম্ধাং-তুমহাংশিংদা ইঞ্চোল কোয়বা, ফার্ম তৌবা অসি লালহৌবগী য়ারেকফম ওইবগী মথক্তা লালহৌবনসু ফূবা, সিক্যুরিটি কাঙবুনসু ফূবা, হাৎপা তৌদুনা মী অয়াম্বনা অসিগুম্বা মফমদা থবক শুবা অসি শিফম-নাফম খঙদবা ওইনা খন্নদুনা কয়া তৌনরমদে হায়বা য়াই। হৌজিক্তি লালহৌবগী ঈরাংসু নেমখ্রে। হৌজিক্তি চীংখোঙ-চীংয়া, লম্ধাং-তুমহাং, তুরেল খোংনুং ওইগেরা, লাই থোকপা, ভুট থোকপা মফম ওইগেরা মফম শিনবা থুংনা মশানা মশাবু থবক পীজদুনা মীপান তাংদনা হিংবা হায়বগী পান্দমদা মখল কয়াগী ফার্ম তৌদুনা অমদি ইন্দষ্ট্রি কয়া তৌদুনা য়াম্না কন্না হোৎনরকপা মতমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্ত্রবা মতমনি। লাইবক থীবা হায়জবা তারে কুমজা ২০২৩গী মেগী তাং ৩দগী চুড়াচান্দপুরদা চীংগী ইচিল ইনাওশিংনা মখোয়গী পেন্দবা খরদগী মৈতৈ ইচিল ইনাওশিংদা খূৎ থাবা হৌরকপদগী কাঙলূপকী ওইবা অচৌবা ঈরাং অমা থোক্তুনা ঙসিদি ইরমদম অসি মীহাৎ মীপুন্না থল্লবা, শান্তি লৈত্রবা লমদম অমা হায়বদু ওইরে। চীংমীশিংগী খ্বাইদগী হেন্না শাওবগী মরমশিংদি (১) পোপি য়ান্থৎখিবা (২) রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা শাগৎলিবশিং তকখাইখিবা (৩) কোর্টতগী মৈতৈশিং এস টি ওন্নবা প্রোসেস তৌ হায়দুনা ওর্দর পীরকপা মখোয় অহুমসিনি হায়বা য়াই।

হায়জনীংবা অমনা মণিপুরদা করিগুম্বা হীরম অমদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা পাম্বৈ অসি পাউচে নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈতে হায়বা য়াই। মরমদি রেদিও অমদি টি ভি চেনেলশিংদা নৈনবগী মতম য়াম্না তেনবা মরম্না মীয়ামদা ৱাখল তাহনবা খিত্তং ৱাৎলি। মণিপুরদা মৈতৈ মশীং লাখ ১০ অমদি অতোপ্পা ফুরুপ মচা মচা ময়াম পুল্লগা পূন্না লাখ ৩০ খরা হেন্না লৈ হায়না পান্নরি। মণিপুরগী ওইনা অমসু অমসু পাউ ফাওনবা য়াবা লোল হায়রগদি মণিপুরীলোল অসিনি। মৈতৈশিংনা ফোঙবা পাউচে অসি ইংলিস অমসুং মণিপুরী য়াওনা নোংমদা কোপি লাখ ২ মুক্তি ফোঙই হায়না পানরি। কোপি অমদা চাওরাক্লা মীওই মঙা মঙানা পায় হায়না লৌরসি অদুনা মৈতৈ লাখ তরানা পাউচে পায় হায়না লৌবা য়াই। য়াম্না কূপ্না পাদবা খরা অমবুদি য়াওরমগনি। অদুবু পাউচেদা পাউ অমা হাপখিবা মতমদা মৈতৈশিংদি মদুগী মরম অফবা-ফত্তবা খরদি নৈনৈ হায়বদা লান্দে হায়বা য়াই।

চীংমী ইচিল ইনাওশিংগীদি মখোয় ফুরুপ ৩৩ লৈবশিং অসি অমগা অমগা লোল অমত্তা মান্নদে। মখোয় মশেল অমগা অমগা পাউ ফাওননবা লোলসি মণিপুরীনি। অদুগা মখোয়দি মণিপুরী খঙদবা কয়া অমসু য়াওরি। মসি পূন্নমক্কী মথক্তা ম্যান্মারদগী লাকপা চীংমী কয়া অমসু মখোয়গী মরক্তা য়াওখ্রে। কুকি নৎত্রগা নাগাগী ওইবা পাউচে মশীং য়ামদে। মখোয়না নোংমদা পুথোক্লিবা কোপি মশীংসু খরা খক্তা ওইবনা পাউ ফজনা খঙদে অমদি নৈনদে। মসিনা মরম ওইরগা করিগীদমক পোপি পাম্বী য়াল্লিবা, করিগীদমক রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া/প্রোটেক্তেদ ফোরেষ্ট এরিয়াদা য়ূম শাবা য়াদ্রিবা, করিগীদমক মৈতৈনা এস টি ওনগদৌরিবা হায়বসিগী মতাংদা মখোয় মপূং ফানা খঙদবগুম তৌই। চীংমী ইচিল ইনাওশিংগীদি মখোয়গী সী এস ও, মহৈরোয়গী লূপ নৎত্রগা চর্চকী পাষ্টরনচিংবশিং অসি মখোয়গী কাঙলূপ কাঙলূপশিং অদুগী লাইরিক হৈবশিং অদুনা ওই। মখোয়না হায়বা খুদিংমক চুম্লবোই খল্লি।

অরোইবদা হায়জনীংবদি কোরোনাগী চৈথেংনা য়াম্না শাথীনা ৱারিঙৈ তাল্লক্তা রুসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান তারুবা অসিনা পৃথিবী অপূম্বদা ৱাহনবদগী অৱাবা অদু খিত্তং ফরে হায়দুনা শ্বর খরা খরা হোনবা হৌনরকপা মতম অসিদা ঙসিদি কাঙলূপ অনীগী মরক্তা লান অমুক হৌরক্তুনা হেন্না ৱাবা, কাখৎপা খরা ৱারদৌবা কোম অমদা অমুক তাশিনখ্রে। মৈতৈশিংনা চীংখোঙ চীংয়াদা চৎতুনা থবক শুরম্বা অমসুং চীংমীশিংনা তমদা চৎতুনা পোৎ য়োল্লম্বা খুদিংমক লোইনা কিনদুনা তোকখ্রগনি। মরম অসিনা তম্মী অমসুং চীংমীশিংগী লুচিংবশিংনা অথুবা মতমদা য়াশিন্নবা শিনদ্রগদি ঐখোয় মণিপুরীশিং উচিদা অমুক হঞ্জিনবা হায়গদরা নৎত্রগা লু কোকপদা লেন তাবা হায়গদরা য়াম্না চাওখৎতবা লৈবাক অমা হায়বদু শোয়দনা ওইখ্রগনি।

*অদোমগী - রোমিও য়ূম্নাম*
*টৌপ অৱাং লৈকায়, ইরিল মপাল*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৫

১) **"রাগ মঞ্জরী দর্শন (অহানবা অমদি অনীশুবা শরুক)"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **"বিক্রমোর্ব্বশী"** হায়বা ওরিজিনেল লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা ইথোকপগে?

৩) **"অনৌবা মপোক"** হায়না মমিং থোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"সার্কাস"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৫) **"ঐনা ইন্টরনেট হেক্কর ওইরবা/লৌরমগনি লোন্না/চেকশিন্না য়াম্না লোন্না/থল্লিবা লৈঙাকপশিংনা লৈনুংদা/শান্তিগী পাসৱার্দ।"** শৈরেং মতেক অসি নহা ওইরিবা, শকখঙনরিবা অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। লাইরিক অসিগী মমিং করিনো? অইবা অসিনা কনানো অমসুং শৈরেং মতেক অসিগী লৌথোরকফম শৈরেংদু করম্বনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।